# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৭

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**এম কোইরেংনা** চীফ মিনিষ্টর ওইবা মতম কুমজা ১৯৬৫, ওগষ্ট ২৭তা য়াম্না নুংঙাইবা থৌদোক অমা থোকখি। মহৈরোয়শিংনা শান্তি ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমসুং মহাক্কী মখাদা লৈরিবা শ্রী কোইরেংগী মিনিষ্ট্রিদা চে য়েনবীয়ু হায়বা খোঙজং অমা চঙখি। চে য়েনগনি হায়বা অইবা চে পীয়ু হায়বদা লৈঙাক্না পীদে হায়দুনা চীফ কম্মিস্নরগী বঙ্গলোদা থোমজিন্নরম্মী। মদুদা ঈরাং থোক্লকপদগী পুলিস/সিফাইনা মরম চাদনা নোংমৈ কাপ্পদা নুপা মহৈরোয় অনী, নুপী মহৈরোয় অমা অমদি ওল ইন্দিয়া রেদিওগী দ্রাইভর অমা থৱায় থাখি। মহৈরোয় কয়া শোকখি, লুচিংবা কয়া ফাখি। থৱায় থাখিবা মহৈরোয় নুপী অদুনা নোংমৈকাপম প্রমোদিনি, শিংজমৈ থোংঙাম লৈকায়দা লৈবী মণিপুর কোলেজদা বি এ তম্বীনি। মহৈরোয় নুপা অনী অদুনা ওইনাম নবকুমার, কৈশামথোং সনা জন্মস্থান দি এম কোলেজতা পি য়ু সাইন্স পরিক্ষা থাখিবনি। অমা অদুনা চাওভল মৈতৈ (১৯) খুরাই অসিনি। অতোপ্পা অদুনা ৱাইখোম নিলমনি, চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায়দা লৈবা এ আই আরগী গাড়ী দ্রাইভরনি।

অশোক মীত্রনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ইনক্কারি অমা তৌখি। মদুগী রিপোর্টতা লৈঙাক্কী মতৌ অদু য়ানীংখিদে। মরিশুবা জেনরেল ইলেক্সন্না ফেব্রুৱারী ১৯, ১৯৬৭তা তম্পাক্তা, ফেব্রুৱারী ২০, ১৯৬৭তনা চীংদা তৌখি। মদুদা কাখিবা মীওইশিং অদুদি :-

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) | এম কোইরেং | কুম্বী-থাঙ্গ | কোংগ্রেস |
| ২) | এন তোম্বী | উরিপোক-ললাম্বুং | কোংগ্রেস |
| ৩) | এল সোলোমোন | উখ্রুল | কোংগ্রেস |
| ৪) | গৌখেনপাও | থানলোন | কোংগ্রেস |
| ৫) | এন অচৌ | ৱাংখৈ | সোসিয়েলিষ্ট |
| ৬) | মহম্মদ অলিমউদ্দিন | লিলোং | কোংগ্রেস |
| ৭) | এস অঙৌ | থোংজু | কোংগ্রেস |
| ৮) | টি ঐচ অনৌবী | হিয়াংলম-শুগুনু | সোসিয়েলিষ্ট |
| ৯) | মহম্মদ অশ্রাফ অলি | তোপ চিংথা | কোংগ্রেস |
| ১০) | এস বিজয় | জিরিবাম | কোংগ্রেস |
| ১১) | এ বিরমঙ্গল | শিংজমৈ | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ১২) | কে বরথাকুর শর্ম্মা | খুরাই | সোসিএলিষ্ট |
| ১৩) | খ্বাইরাকপম চাউবা | সেকমাই | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ১৪) | মহম্মদ চাউবা | খাঙবোক | কোংগ্রেস |
| ১৫) | দেমজালাম কিপজেন | তামৈ | কোংগ্রেস |
| ১৬) | সলাম গম্ভীর | শগোলবন্দ | কোংগ্রেস |
| ১৭) | এম ইবোহল | শগোলবন্দ | সী পি আই |
| ১৮) | কে কাখাঙাই | তমেংলোং | কোংগ্রেস |
| ১৯) | কে ইনভে মশাংবা | ফুংয়ার ফাইশাং | কোংগ্রেস |
| ২০) | লালরৌকুঙ | চুড়াচান্দপুর | ঐচ এন য়ু |
| ২১) | দল্লিয়ু মনি | থৌবাল | কোংগ্রেস |
| ২২) | ৱাই নিমাই | ককচীং | সোসিয়েলিষ্ট |
| ২৩) | পাওখোহাং | তেংনৌপল | কোংগ্রেস |
| ২৪) | সী ঐচ রাজমোহন | ময়াং ইম্ফাল | কোংগ্রেস |
| ২৫) | শোঙখোথাং (অশোন) | মাও ইষ্ট | কোংগ্রেস |
| ২৬) | এন থম্বৌ | কৈশামথোং | কোংগ্রেস |
| ২৭) | এস তোম্বী | কোম্থৌজম | কোংগ্রেস |
| ২৮) | ৱাই য়াইমা | নম্বোল | ইন্দিপেন্দেন্ট |
| ২৯) | এ বিমোলা | নোমিনেটেদ | কোংগ্রেস |
| ৩০) | আর টি শাইনিং | নোমিনেটেদ | কোংগ্রেস |
| ৩১) | শিবো লারহো | মাওইষ্ট | কোংগ্রেস |
| ৩২) | এন ইবোমচা | বিষ্ণুপুর-মোইরাং | কোংগ্রেস |

কেন্দিদেট ৩০গী মনুংদা কোংগ্রেসনা ১৬, এস এস পি ৪, সী পি আই ১ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ৯নি। ইন্দিপেন্দেন্ট ৯গী মনুংদা ৭তি কোংগ্রেসতা য়াওখি। এ বিমোলা অমসুং আর টি শাইনিংবু এম এল এ ওইনা নোমিনেটেদ তৌরবা মতুংদা মখোয়সু কোংগ্রেসতা য়াওখি। কোংগ্রেসকী মশীং ২৫ ওই।

এম কোইরেংবুনা কুমজা ১৯৬৭কী মার্চ ২০দা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশকখি। অতৈ মিনিষ্টরশিং অদুদি -

| | | |
|---|---|---|
| ১) | শিবো লারহো | ফাইনান্স মিনিষ্টর |
| ২) | এন তোম্বী | এদ্যুকেসন মিনিষ্টর |
| ৩) | গৌখেনপাও | মেদিকেল মিনিষ্টর |
| ৪) | মহম্মদ আলিমউদ্দিন | দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরসু ৱাশক লৌখি। |

মার্চ ২১, ১৯৬৭ অমসুং এপ্রিল ৩, ১৯৬৭তা সলাম তোম্বী অমসুং খ্বাইরাকপম চাউববু স্পিকর অমসুং দেপ্যুটি স্পিকর খনখি।

সেপ্টেম্বর ৪, ১৯৬৭তা সলাম তোম্বী অমসুং খ্বাইরাকপম চাউবা মথংশিংনা স্পিকর অমসুং দেপ্যুটি স্পিকর অনীগী মায়োক্তা কোংগ্রেস এম এল এ ২০না থাজদবগী মোসন থাঙ্গৎলকখি। অদুগা সেপ্টেম্বর ২১দা খন্নবা লেপখি। অদুদগী চীফ কম্মিস্নরনা মীফম অদু ওক্টোবর ৫, ১৯৬৭তা য়ৈথোকখি।

ওক্টোবর ৪, ১৯৬৭তা এম কোইরেংগী মন্ত্রি-মন্দল অসি ফম থাদোকখি। কোংগ্রেস এম এল এ ৮ কোংগ্রেসতগী তোকখিবনা মেজোরিটি ওইবা ঙমখিদে। এস তোম্বী অমসুং খ্বাইরাকপম চাউববু কোংগ্রেসতগী তাম্থোকখি।

কুমজা ১৯৬৭কী ওক্টোবর ৫দগী মীফম অদু অমুক কুমজা ১৯৬৭কী ওক্টোবর ১৬তা য়ৈথোকখি।

ওক্টোবর ৬, ১৯৬৭তা লোংজম থম্বৌ, মহম্মদ অশ্রাফ অলি অমসুং কে ইনভেনা ইষ্টিমেট কম্মিটি, পব্লিক একাউন্ট কম্মিটি অমসুং ষ্টেন্দিং কম্মিটিদগী তোকখি।

ওক্টোবর ১৩, ১৯৬৭কী নুংথিল পুং ৩.১৫দা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মিনিষ্ট্রি অমা এন থম্বৌনা লুচিংদুনা শেমখি। হায়রিবা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মিনিষ্ট্রি অসিদা য়াওবশিংদি-

| | | |
|---|---|---|
| ১) | এন থম্বৌ | চীফ মিনিষ্টর |
| ২) | কে ইনভে | কেবিনেট মিনিষ্টর |
| ৩) | মহম্মদ অশ্রাফ অলি | কেবিনেট মিনিষ্টর |
| ৪) | এস অঙৌ | কেবিনেট মিনিষ্টর |
| ৫) | এ বিরমঙ্গল | কেবিনেট মিনিষ্টরনি। |

ওকেটাবর ১৬, ১৯৬৭তা কে ইনভে, এন অচৌ অমসুং পাওখোথাং কিপজেন্না প্রিসাইদিং মেম্বরশিংগী পেনেলদগী তোকখি।

ওক্টোবর ১২, ১৯৬৭তা দেমজালাম কিপজেন্না কোংগ্রেসতা অমুক হল্লকপদগী কোংগ্রেস ১৬, য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট ১৬ লৈনদুনা তাই তাখি। মীফম নুমিৎ তাং ২৩/১০/১৯৬৭তা লেপ্লম্মী। স্পিকরনা মদু তাং ২৪/১০/১৯৬৭তা য়ৈথোক্লম্মী। নুমিৎতুদা কে চাউবা দেপ্যুটি স্পিকর ফমদগী তোকখি। তাং ২৩/১০/১৯৬৭তা সলাম তোম্বীসু স্পিকর ফম থাদোকখি।

লোংজম থম্বৌ অসি মতমদুদা কোংগ্রেসতা য়াওরকপা চহী ২১ শুরবনি, সেরাম অঙৌ অমসুং কে ইনভেসু কোংগ্রেসতগী তোক্লকপনি। অশ্রাফ অলি অমসুং এ বিরমঙ্গলদি ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা কাবনি।

ওক্টোবর ১৬, ১৯৬৭তা কোইরেংনা হায় মদুদি পাঙ্গল চাংয়েং তৌনবদা মানা শোয়দনা মায় পাক্কনি। নুমিৎতুদা থাজদবগী মোসন অমা থাঙ্গৎলকখি। সলাম তোম্বীনা থবক অথুবা অমগীনি হায়দুনা চৎখিবদগী স্পিকর ওইবিনবা লৈতবনা মথং নুমিৎতা য়ৈথোকখি। মথংগী নুমিৎতা এসেমব্লি ফম্বা কান্দা স্পিকর ফম থাদোকখ্রে। স্পিকর ফম থাদোকখ্রবনা চীফ কম্মিস্নরনা কোংগ্রেস অমসুং য়ুনাইটেদ ফ্রন্টতা অনৌবা কেন্দিদেট থাদোক্লবা হায়খি। অদুবু পার্টি অনীমক্না থাদোকপা ঙমদ্রে। লেজিসলেচর অদু থবক তৌবা য়াদ্রবনিনা চীফ কম্মিস্নরনা সেসন অদু প্রোরোগ (Prorogue) তৌখি। ওক্টোবর ২৫, ১৯৬৭তা প্রসিদেন্ট রুল থমখি। অসুম্না নুমিৎ ১২ শুরবা এন থম্বৌ মিনিষ্টর মুত্থৎখি।

সি ঐচ রাজমোহোননা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট থাদোক্লগা কোংগ্রেসতা চঙলকখি। সলাম তোম্বী অমসুং খ্বাইরাকপম চাউবা নত্তনা অতৈসু কোংগ্রেসতা হল্লকখি। দিসেম্বর ৭, ১৯৬৭তা এন থম্বৌ অমসুং এস অশোক কোংগ্রেসতা হল্লকখি। মেম্বর ৩২ লৈবা এসেমব্লিদা কোংগ্রেসপু মেম্বর ২২না শৌগৎখি। অসুম্না কোইরেংনা অমুক হন্না ফেব্রুৱারী ১৯, ১৯৬৮দা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশকখি। মিনিষ্টর অহুম হায়বদি এন সোলোমোন (ফাইনান্স অমসুং রেভেন্যু), এন তোম্বী (এদ্যুকেসন অমসুং লো এন্দ লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট, পব্লিসিটি অমসুং টুরিজম) অমসুং গৌখেনপাও (ট্রান্সপোর্ট, পব্লিক হেলথ অমসুং ইন্দষ্ট্রি) ওইনা ৱাশকখি।

এস লোরহো অমসুং এন ইবোমচাবুনা স্পিকর অমসুং দেপ্যুটি স্পিকর ওইনা খনখি।

তাং ২৩/৯/৬৯দা সিনাম বিজয় অমসুং ৱাইখোম মনি মখোয় অনীবু দেপ্যুটি মিনিষ্টর হাপখি। মন্ত্রি ফংহৌদ্রবা এম এল এ খরদি ওপোজিসনগা মীচং ওইরগা লৈঙাক ইন্থুনবা লাল্লোং শিনখি। তাং ২৩/৯/১৯৬৯দা ৱাই য়াইমনা কোইরেং মিনিষ্ট্রিগী মায়োক্তা থাজদবগী মোসন থাঙ্গৎখি। মদু সেপ্টেম্বর ২৪, ১৯৬৯দা খন্নবা লেপখি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লোইলম

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**কংলৈপাক (মণিপুর)** অসিদা মতম মতমগী ইনিংথৌশিংনা লৈপাক ঙাকলোন নুংঙাইনবা খুনশেন লৈশেম থৌগাই পুমিন্ননবা, খুনফম কয়াবু মশক খঙলম্মী। খুনফম খুদিং খুল্লাকপা হাপ্তুনা মাগী মখাদা মীওই কয়া ফমথোল পীদুনা খুনগী থৌগাই পুহল্লম্মী। খুনফম অদুদগী চহীগী লোইপোৎ (খাজনা) কাদুনা ইনিংথৌগা মরী থম্নরম্মী। মসি চীং-তম অনীদা অদুম মান্ননা চত্থরম্মী। অদুগুম্বা লমদম অদুবু 'লোইলম' কৌই। অদুদগী লোই খুনফম নৎত্রগা খুঞ্জাউ অসুম্না খঙনরম্মী। মতুংদা লৱাই হায়বা ৱাহৈ অসি শীজিন্নরকই। ইম্ফাল নত্তবা খুনফম্বুসু লৱাই হায়না খঙনৈ। অদুদগী লোইয়ালম, 'লৱাই-ইম্ফাল' হায়দুনা শীজিন্নরিবা মমাঙঙৈগী লোন্দা অসিনসু অচুম্বগী মরী মখোঙ খঙহল্লি। খুনফম হায়বা ৱাহৈ অসিদগী খুঙ্গং লাকই। কংলৈপাক (মণিপুর) অসিদা লোইলম/লোই খুঞ্জাউ ৩৩ মশক খঙনা থম্বীরম্মী। লোইলম গুরম্বা কয়া ওইহনখিদবা কয়াসু থেংনৈ চিনবুং ৱারীদা।

কুম্বী, মৈদিংঙু কিয়াম্বা সনা হাক্তক খৃষ্ট কুমসিং ১৪৬৭-১৫০৮ মনুংদা খাংঙেম্বম তোলোংখোম্ববু খুল্লাকপা হাপ্তুনা লোইলম ওইনা মশক খঙঙে। আ চারোল শুরোল খুদিংদা খাংঙেম্বম শাগৈনা খুল্লাকপগী ফম পুগদবনে অমসুং নখোয়গী লোইপোৎ কাগদবদি নশাগী পোৎথোক 'ঙমু লৈরৌ, উকাবী লৈরৌ অমসুং নখোয়গী ঙানা শুজবা হেন্তাক' চহীগী কাউদনা সনা কোনুং কারকপদা পীগদবনে। অসুম্না নিংথৌনা মশক খঙবীবদগী কংলাদা তোলোং য়ুম্ফম হৌজিকসু লৈ হায়নরি। কুম্বীদা খুল্লাকপা খাংঙেম্বম্না ওইরকই। খুল্লাকপা/খুল্লাকপম লৈকায় লৈরি। ইপু সুবেদার তোলেন (খাংঙেম্বম তোলেনখোম্বা) ইনিংথৌ চুড়াচান্দ মহারাজগী থাজবা মীশকনি হায়নখি। সুবেদার ফম পীদুনা লৈপাক্কী থৌগাই কয়া পুহল্লি হায়নৈ। মচা ইবুংঙোশিংনা কৌনবা মীংনি হায়নৈ ইপু সুবেদার। ইপু সুবেদারগী মতিক ময়াই শিংথাদুনা মনা ফি পীবগী ৱারীসু ঙাঙনৈ। চৌদার, নম্বোর লাকপনচিংবা খাংঙেম্বম মচাশিংদা হাপ্তুনা থৌ পুহল্লি। ইনিংথৌ অমগী হাক্তক্তসু 'কুম্বী খূৎঙম' না (খাংঙেম্বমনা) অঙ্গো চীংদা চীংলাই ফাদুনা নিংথৌ থৱায় কনখিবগী ৱারীসু লীনৈ। মদুগীদমক নিংথৌনা অপাম্বা হায়য়ু হংলকপদা, মহাক্না পায়বা তেন্না কাপ্পদা য়ৌবা মফমদু ফাওবা মাগী লৌ ওইজগে হায়বদগী ওইহনখিবা 'তেনকাপ লৌ' হৌজিকসু লৈরি, তেনতক্না ইজবনি। অসুম্না মণিপুরদা মতম মতমগী ইনিংথৌশিংগী মখাদা লৈঙাকমিন্নদুনা লৈরকপা লোইলমশিং মখাদা পীজরক্কে। পুৱারীদগী অরিবা খুনফমশিংবু লৈঙাক্না মশক খঙবীদুনা খজিক্তংদা ওইরবসু পুৱারীগী মচাকশিং শেমগৎ শাগৎপীরবদি লাইওইখ্রবা লাইনিংথৌ, ইনিংথৌ কয়াদা পীবা মমল নাইদ্রবা অনৌবা লৈঙাক্কী খুদোলনি হায়না মীয়াম্না থাগৎনগনি খনজৈ। চীনবুং ৱারী কয়াবুসু মণিপুর হিষ্টোরিকেল সোসাইটিনসু চৎল-চৎলগা থিজিনবা, মুৎনাইদবা পুৱারী ইহঞ্জনীংই।

মীতৈশিংগী লোই খুনফমশিং :-

১) মৈদিংঙু নোংদা লাইরেল পাখংবা (৩৩-১৫৪ এ দি) গী মতমদা লোই খুনফম ১৫ - (১) চকপা (২) খা-সেকমাই (৩) অৱাং সেকমাই (৪) কৌত্রুক (৫) থোংজাউ (৬) থৌবালদোং (৭) ফৈয়েং (৮) লৈমরাম (৯) ককচীং (১০) শিখোঙ (১১) নীংঙেল (১২) চাইরেল (১৩) তিনশাং (১৪) লাইকোক লৈশাংখোং (১৫) অন্দ্রো।

২) মৈদিংঙু খোঙয়াম্বগী মতম (১৩২৪-১৩৩৫ এ দি) গী মনুংদা লোই খুনফম ৪ - (১) হৈয়েন (২) হংগুন (৩) ফৌবাকচাউ (৪) ৱাইখোং

৩) মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী মতম (১৪০৪-১৪৩২ এ দি) গী মনুংদা লোই খুনফম ৩ - (১) থাঙ্গ (২) মোইরাং (৩) কামেং

৪) মৈদিংঙু কিয়াম্বগী মতম (১৪৬৭-১৫০৮ এ দি) গী মনুংদা লোই খুনফম ৪ - (১) ৱাইকোক (২) খোরিখুল (৩) খমারাম কেকাম (৪) কুম্বী তোলোং

৫) মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতম (১৫২৭-১৬৫২ এ দি) গী মনুংদা লোই খুনফম ৫ - (১) ৱাঙু (২) নুংঙু (৩) শুগুনু (৪) লাংঙথেল (৫) পল্লেল

৬) মৈদিংঙু খুনজাউবগী মতম (১৬৫২-১৬৬৬ এ দি) গী মনুংদা লোই খুনফম ২ - (১) আরোং অমসুং (২) ক্বাথা। অসুম্না চীংমী ইচিন ইনাওশিংগীসু খুনফম কয়াদা নিংথৌনা খুল্লাকপা হাপ্তুনা নুংশি চান্ননা লৈঙাকমিন্নরকপা অদুঙৈগী কংলৈপাক ঙসিগী মণিপুরনি। (অকলপবা কলেক্সন-সোর্চ)।

লোই খুনফমশিং অসিদা খুন্দারিবা মীওইশিংসু অনী থোক্না খাইদোকই মদুদি লোইলম ওইনা শক খঙবা মতমদুদা লৈরম্বা মীওইশিং অদুবু, য়ুম্নাক অদুবু লোইমী (য়েলহৌমী) ওইনা মশক খঙগনি। অদুবু মমাঙথক্কী লৈঙাক্না কুমশিং ১৮৯১ ফাওবগী মনুংদা খুন্দা লৈতারবদি খুনফম অদুদা লৈরিবা য়ুম্নাক্কা কোন্ননা লৈরিবা মীওইশিং পূম্বা খুনফমদুগী লোইমী (য়েলহৌমী) ওইনা শক খঙগনি হায়বগী চৎন-কাঙলোন থমখ্রে হায়। হৌজিক্কী মতমদদি খুনফম অমদগী খুনফম অমদা য়ূম হোংদুনা লৈনরকপনা লোইমী অমসুং নিংথৌগী পানাদা লৈবা লোইমী নত্তবশিংসু ইয়ান য়ানশিন্নরে, হিংমিন্নরে নুংশিননা। মতম অমদদি লোই অমসুং লোই নত্তবশিংগী মরক্তা অনেম অৱাংগী পল অমসু ৱাংনা লৈরম্বগুম তৌনরম্মী। হৌজিক্তি লৈনদ্রে। লান্না খন্নবা লায়না অমনা কদোমদগী হুমজিল্লকপনো নাখিবদগী ওইখিবা পল অমনি। অদুবু ঙসিদি খঙলে মদুদি লোইলম হায়বসি নিংথৌনা মশক খঙবা খুনফম, লৈঙাকমিন্নবা, লোইপোৎ (খাজনা) খোমগৎনবা, খুনফম অদুবু খুল্লাকপা অমদি অতৈ ফম কয়া হাপ্তুনা, খুঞ্জাউ লৈচাউ শেমগৎনবা, অচুম-অরান ৱায়েল চৈরাক পীননবা, খুনফম খুঞ্জাউ লৈঙাক্লনবা শেম্বা 'লোইলম' ওইরম্লে। মরম অদুনা অনৌবা লৈঙাক্না মশক খঙবা হায়বসি পুৱারীগী মচাক লীদুনা থম্বনি হায়জনীংই।

*অদোমগী - খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর, কুম্বী*

## লৈকায় পান্দ্রবরা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**লৈকায়** তানবা লাউরা? লৈকায় য়ানননবা চৎলু। খুল লৈকায়নবু হৌরক্লবদি অচুম অরানগা অমুক থিরুরনু, অফংবা খূৎলায় অমা পায়দুনা হেক্তা চেল্লো। মসি ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী চৎনবীনি। মোব জষ্টিশকা মরী লৈনদে খরগা কুপথনা নৈনবা মথৌ তারি হায়ববু লৈকায় পানবগী চৎনবী অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইসি হৌজিক্কী থাক অসি য়ৌনা পুরকখিবনি। খুন্নাইনা পামদবা থবক পূম্বা থিংদুনা, ৱারক-ৱাতেমদুনা অমদি চৈরাক পীদুনা অচুম-অরান ৱায়েলবদা লৈকায় পানবগী কাঙলোন্না লৌরকখিবা থৌদাংশিং অসি ফজনা নৈনরবদি অচৌবা থেসিস অমা ওইগনি হায়না খল্লি। লৈকায়গী মচিন চৎপা অহল-লমনশিংনা ৱাতেম্বদা কনাসু মখোয়গী মথক্তা ৱা হায়বা/খুম্বগী চৎনবীসু লৈরমদে। য়াম্না ফজবা থকসি-খাসি অমগী মখাদা লৈমিন্নরকখিবনি। মীয়ামগী মাঙ-তাক্লবা থবকশিং তৌদুনা কা হেন্না তমথিবা শক্তম লৌরক্লবদি মীওই অদু নৎত্রগা মাগী কাঙবু/ইমুং পূন্না খুল-লৈকায়দগী তাম্থোকপনচিংবা চৎনবী অদু হৌজিক ফাওবা খরা খরা উবা ফংলিব্রা হায়না খল্লি। মতৌ অসুম্না লৈকায়-লৈকায় পান্নদুনা (লৈকায় শিংলুপ শেমদুনা, লৈকায়লাকপা হাপ্তুনা অমদি অতৈ ফম্নাইবা কয়াসু হাপ্তুনা, খুল্লাকপগী মখাদা অমদি লৈবাক নিংথৌগী মখাদা) খুন্নাইসিবু কন্না ঙাক-শেঞ্জরকখ্রবসু ঙসিদি পূম্নমক তপ্না তপ্না মাঙশিল্লক্তুনা খুঞ্জাশিং অমদি লৈকায় মচাশিং অসি মানা-মানা তৌনীংবতা তৌনরকপদা লৈকায় অয়াম্বনা তুমিন্না য়েং-য়েংদুনা লৈথোকপগী চৎনবী অমা কন্না উবা ফংলক্লি।

অপূনবনা পাঙ্গলনি, লৈকায় মীয়াম্নবু অমত্তা ওইনা লেপখ্রবদা মরল ফনা লৈবা/মশা ফনা ফবা/লাইরিক ফনা হৈবা/থবক ফনা চাউবা তৌজরবসু মথৌনা ফবনা কনানো মায়োক্লবা ঙমগদৌরিবা? লৈকায় মীয়াম খূৎমান্নরক্তবদগীনি অফাও শান্নরক্লিবশিংসি। অদু ওইরবদি মীয়াম্না পামদবা থবক কয়া মনীং-মখা তৌনা পায়খৎনরক্লিবা কয়াসি লৈকায়-লৈকায়দুনা য়াদুনা তৌরিবনি হায়না হায়রকপদা লাল্লি হায়রুবা য়ারোইদৌরি। রেষ্টুরেন্ট শাদুনা শেল তান্নরকপদগী নৎত্রগা নুপীমচা কয়াগী লমচৎ অমদি পুন্সি মাঙনরক্লিবা। রেষ্টুরেন্টতা খুন্নাইসিনা য়েংলিবা মীৎয়েং অমদি থিংননবা চত্থরিবা থৌওংশিং অঙকপনি মুন্না য়েংশিল্লুরবদি। পূম্নমক তাৎ ঙাক্তনি। ফোংনা ফোংনা ফত্তবা থবকশিং চত্থরকপদা খরদং ওইরবসু থিংননবা হোৎনজরম্বা মতম অমগী অচুম্বা পাম্বা ইচিন ইনাওশিংসু কদাইদা চখ্রিবনো খঙদ্রে। শম্বলনা ওইনা হৱাই মতোন চাখৎলক্লবা মতমসিদা হায় কোর্টতা অমদি সুপ্রিম কোর্টতা মীয়াম্না থাজবা কয়াম থম্নরমখিগদগে? ৱায়েল কাতিনা মতিক-ময়াই চমখ্রবা অমদি খাংজেং লাইরেম্বীগী মমিং কয়া তান্নরকখিদ্রবা মতুংদা মীয়াম্না হৌজিক হৌজিক কন্না হায়নিরবা 'আই ৱিল সী য়ু ইন দি কোর্ট' হায়বা অসিনা করি অমুক হায়রিবনো খঙদ্রে। য়ু য়োনবা, গুলি য়োনবা থিংনবা মৈরা পায়বী কদাই-কদাই চৎখ্রবগে? লৈকায়না তশেংনা য়াদ্রগবু কনানো য়ু য়োনবা ঙমগদৌরিবা, ওক্তবা-ওক্তবী মকোন শাবা ঙমগদ্রা? মমা-মপানা ৱারক্তবা, লমহেন তুহেনবা, মথোং চাদবা খুন্নাই য়েক্লবা কয়াসি লৈকায় পান্দবগী ৱানি। কনামত্তা ফে লাউবা ঙল্লোই হায়জনীংই।

লৈকায়দা টোটি তাদ্রিবা, অয়াবা য়াওদনা টোটি পাইপ হুৎলগা লন্নাই ঈশিং পুশিন্নরিবা, টোটি পাইপতু মীগী য়ূম মনুংদা ফাওদুনা ফুল্লম্বদুদা লৈকায় মীয়াম্না তুমিন-তুমিন লৈশিন্নরিবা করিগীনো? মফম মতম চাদনা থাবল চোঙবা, লগাও খাওবা, মেলা তৌবা, হাওসি লাউবা, অহৌবা মাইক খোঙদুনা অহিং চূপ্পা থাবল চোঙবা, শিবরাত্রিগী ঈশৈ শকপা, দিৱালি অমদি লুহোংবদা অহৌবা মখোলগী বম্বুলা থাদুনা লাংবা অসিনচিংবা কয়াসিবু মতমদুগী ৱা অনীরক শুনা ঙাঙদবা লৈকায়গী মচিন চৎপা অহলশিংদু লৈরম্লবদি খঙগদৌনি। লম্বীদা, লমহাং-তুম্মাংদা, তুরেলদা, খোঙবান্দা ফত্ত-হৌদি কয়া লংথোক্তুনা মোৎশিল্লিবা মীওইশিংসি লৈকায়না মশক খঙনবা ঙাক্তনি। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্নদি শুম-শুম পাকথোক চাউথোক্লক্কদবা অমদি চৎথোক-চৎশিন্দা হেন্না নুংঙাইবা হেনগৎলক্কদবা খুন-লৈকায়গী লম্বীশিং, লৈরক-কোন্সাং কয়াদু গাড়ীদি লায়রদনা মী ফাওবা থৈনবা য়ারক্ত্রিবা কয়াসিগী থৌদাং অসি লৈকায়না লৌফম থোক্তব্রা? ইরম খোংলমশিং, খোংবান-লুকপানশিং লোইনা ফুনজিন্নদুনা মাগী মাগী লম ওম্থোক্লখিবদগী ঈশিং মৌখৎলক্তুনা থোকফম থোক্তবা ঈশিং ঈচাউ কয়া থোক্লরিবসি লৈকায় মচাশিংনা পুক ফমনবদগী নৎত্রো? থোং মচা অমা শাগদবদু লৈপাক্লা লোইনা ফুনজিল্লগা উকু মচা-মচা হাপ্লগা কোম্থোং ফাৎনরিবা অমদি লম্বী শেম্নরিবা কয়াসিনা খোঙলমশিং ঈশিং ফজনা চেনবা ঙমদবগী চৈথেং কয়াদি ঐখোয় পূন্না ফংমিন্নরি। লৈকায়গী গভর্ণমেন্ট স্কুলদা ওজা কাদ্রিবা, হেলথ সেন্তরদা ডোক্তর লৈত্রিবা, অঙাং লৈতবা অঙ্গলৱাদি সেন্তর কয়া চলাইরিবা, চাওখৎ থৌরাংগী থাদরকপা পৈশা কয়া মরী লৈনবশিংনা হাইহৎনরিবা, পানা পানা থারিবা লম্বীগী কোয়লাসনচিংবা মীৎ নার-নারবা কয়াসি লৈকায় মীয়াম্না খঙনা খঙনা উশিন্নদ্রি। করিগীনো মসিবো? ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেক্যুলরিজমনা অয়াবা পীজরবসু পাঙল খুল্লক্তা চর্চনচিংবা অতোপ্পা লাইশঙ অমত্তা শাবা ঙম্নদে। অদুবু মীতৈগী খুন, লৈকায়শিংদদি চর্চতা নত্তে জগৎকী লাইশঙ পূম্বা শাজিল্লকপদা লৈকায় পান্দ্রবনিনা কনাসু করিসু হায়নদে। লৌবুক্তা, লম্মাংদা, লম্পাক্তা, কম্যুনিতি হোলদা লীলা, ঈশৈনচিংবা কুম্মৈ পাঙথোক্লম্লগা অচাপোৎ মকু, য়ু চেখাও, বোট্টল অহাংবনচিংবা ময়াম অমা চাইখাইদুনা থল্লন্নিবা অদু লৈকায়না ফমনবগী তৌবনি। পূম্নমক অসিগী খল্লুরগা হংনীংলকই লৈকায় পান্দ্রবরা?

*অদোমগী - ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ*

## মতুংগী ভোটকী মতিক চাবা কেন্দিদেট অমগীদমক

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**ইন্দিয়াগী** খ্বাইদগী জুদিসরিগী লমদা চাউরিবা সুপ্রিম কোর্টনা ভোট লেপ্লগদৌরিবা কেন্দিদেটশিংদগী অহেনবা অরোনবা মওং অমা উরকপগুম থেংনরে হায়রি। মরম অসিনা কোর্ট অসিনা সেন্তরদা কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী ভোটকী মতমদা নোমিনেসন ফাইল তৌবদা মখোয়গী থোক্লিবা শেন্থোক লম্বী কয়াগী ইনকমশিং অমসুং মখোয়দুগী ইমুং মনুংগী হিংবদা তৌদা য়াদা শীজিন্নরিবা পূম্নমক খুদম ওইনা দিপেনদেন্ট ফাওবনচিংবগী শেলগী হিসাব ময়েক শেংহনবদু পাল্লি। মদুনা কেন্দিদেটশিং অদুগী কা হেন্না অরোনবা হিসাব লৈবগী মওং মতৌ কয়া কা হেন্না লৈহন্দবা মসিমক ইলেক্সন প্রোসেসতা ফজহন্নবগীদমক্তা অমদি চুমথোক্লবগীদমক্তা খুন্নাইগী থৌগলগীদমক্তা অচুম্বা খোঙথাং লৈনবা, ওইহন্নবগী পান্দম অমা পাল্লি। মরম অদুনা ভোটরশিংনা ৱাখল তানা ভোট থাদবদা মশাগী ৱাখল খঙনা অমদি ভোটিং মেছিন ফাওবা মওং তানা শীজিন্নহন্নীংবগী মতৌ লৈনরকপা অমসুং লান্না কেন্দিদেটশিংনা তৌরকপা কয়াদা দিসক্কালিফিকেসন ওফ কনফিক্সন লৈহন্নীংবগী অপাম্বদু লৈবগী মতৌ কয়া থেংনরি। মসিমক্কী মমিনা এক্ট অমদি মদুগী Votting is an expression of free space initials a part of fundamental right that voters are required to be infermed of all relevent details about a contestant. অমরোমদা মসিনা কেন্দিদেট অদু ক্রিমিনেল এন্টিসিদেন্ট ওইব্রা অদুগা এদ্যুকেসনেল ক্কালিফিকেসন অদু অচুম্ব্রা হায়বদুসু খঙহন্নীংই। মসিদা কন্টেষ্টেন্ট কেন্দিদেটশিংগী মমাঙগী এফিদেভিটকা হৌজিক পীশিনগদৌরিবা এফিদেভিটকা মওং মান্নদবা মওংসু, মতৌসু ফীভম্না মান্নদবা য়াওরকপদু য়েংশিলহন্নীংই। অদুগা মদুদা ওন্থাক ওনশিন তৌবা য়াওনরবসু করম্ননো য়েংনশিনবগা লোয়ননা শেংদোকহন্নীংবগী অপাম্বা লৈ। মীওই খরনা লো মেকরশিংগী লন-থুমদা হেল্লকপা অওনবা মতৌ অমসুং পব্লিক ফন্দ অমসুং লোনগা মরী লৈনবা অনৌবা ফীদম লৈবগুম উহন্নীংদে।

অমরোমদা, ভোটিং মেছিনশিং ফজনা শেন্নবা অমদি অরোনবা থবক হায়বদি শেল য়াম্না থাদবনচিংবগী মতৌদা সোর্স ওফ এমাউন্ট টু এ করপটিভকী মতৌ করপ প্রিটিভপু অন্দর সেক্সন ১২৩ ওফ দি রিপ্রজেন্টেটিভ ওফ দি পিপলস এক্ট ১৯৫১গী মখাদা রুলশিং শেমদোক্লবা ৱাহং কয়া কোর্টতা লাকই। The bench has said no 'Legal' or Nermative Impediment (সেন্দর ওইদবা মওংদা অথিংবা পীদবা) as the center with the Election commission. A permenent Mechanism to collect data about the arrests of legislature and periodically examine landeble but it is not clear which authority will run it. The court envision a body that would make recommendation for prosecuation or disqualification bared on its own finding. মরম অসিনা সেন্তরগী লৈঙাক অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন অনীনা পূন্না অপূনবা এদ্রেস ইস্যু অমা মতুংগী ইলেক্সনশিংদা Transparient (মতিক চারবা) candidate will be key components of future election হায়বসি খঙহনবা অফবা দিমোক্রেসিগী চৎনলোন অমা ওইগনি হায়বসি তশেংলবনি। মসিমক ঐনা মতম খরগী মমাঙদা থেংনখিবা পাউজেল অমনি। মসিমক কেন্দিদেট ওইবা কয়া কয়া ক্রোপতি ঙাক্তনা য়ামশিল্লকপনা পৈশাদি কা হেন্না পায়দবা মতিক চাবা মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা অমদি তৌবা ঙম্বা কয়া ভোট লেপ্পদা পৈশা য়াম্না লৈত্রবদি য়াররোই খন্নরিবসিদা মখোয়দসু ভোট লেপ্পা য়াবগী আশা অমা কন্সটিট্যুসন্না পীবা রাইট অদু ফংবা ঙমহনবীরবদি লৈবাকসিগী তুংগী লাইবক অফবা ওইগনি।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*